


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, DECEMBER 03, 2019 PAGE 7


*২০২০ য়ু-১৯ ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী য়ু-১৯ টিমগী কেপ্টেন ওইনা খনখ্রবা উত্তর প্রদেশকী শান্নরোই প্রিয়াম গর্গ*

*টি-২০ ইন্টরনেসনেল ক্রিকেটতা ৱিকেট ৬ আওট ওইহল্লগা রন অমত্তা পীদবগী অহানবা রেকোর্দ থমখ্রবী নেপালগী নুপী বোল্লর অঞ্জলি চান্দা*



## *ইন্দিয়ান সুপর লীগ ঃ* জমসেদপুর এফ সি অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে





*জমসেদপুর, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি জমসেদপুরদা লৈবা জে আর দি টাটা স্পোর্টস কমপ্লেক্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৬শুবা লীগ মেটচতা য়ুম্বু টিম জমসেদপুর এফ সি অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসি য়ুম্বু টিম ওইখিবা জমসেদপুর এফ সিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লন্দুনা লাকখিবদগী গোল চনবা ঙমহন্দনা লাকখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ২৩শুবা মিনিটতা জমসেদপুর এফ সিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা স্পেনিস ষ্ট্রাইকর সর্জিও কাষ্টেলনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

সর্জিও কাষ্টেলনা ঙসি জমসেদপুরগী অহানবা চনখিবা গোল অসি থারগা সিজন অসিদা মহাক্কী ৫রকশুবা গোল ওইবা ঙমখি।

গোল শোথরিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী শান্নরোইশিংনা ইক্বেলাইজর ওইনবা জমসেদপুরগী মায়কৈদা এটেক কয়া তৌদুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু জমসেদপুরগী দিফেন্দরশিংনা খুদোংচাবা পীখিদবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা য়ুম্বু টিম জমসেদপুর এফ সিনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল শোথরিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনদুনা লাকখি। জমসেদপুর এফ সিগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না ফজনা মায়োক্লন্দুনা লৈখিবদগী গোল হন্দোকপা ঙমদনা কুইনা লৈখি।

মেটচকী অরোইবা মিনিট ৯০ চৎপদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা পানাগিওটিস ত্রিয়াদিসনা য়াম্না মরুওইবা গোল অদু চন্দুনা মেটচ অসি ১-১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি।

ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা এটলেটিকো দি কোলকটানা পোইন্ট ১১ ফংদুনা মহাক্কা পোইন্ট মান্নরিবা জমসেদপুর এফ সিদগী গোল দিফরেন্সতা হেন্দুনা টেবলগী মকোক্তা লৈরি। বেঙ্গালুরু এফ সিনা লীগ টেবল অসিদা পোইন্ট ১০ দা অহুমশুবা মফমদা লৈবা ঙল্লি।

## ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্নিংস অমগা রন ৪৮ দা থোইদুনা সেরিজ লৌখ্রে

*মেলবর্ন, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাকিষ্টাননা শান্নখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা পাকিষ্টানবু ইন্নিংস অমগা রন ৪৮ মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২-০ দা লৌখ্রে।

অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অসিগী টোস ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ৩ আওট ওইরগা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা রন ৫৮৯ দা ইন্নিংস দিক্লার তৌখিবনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী অহানবা ইন্নিংস অসিদা ওপনর দেবিদ ৱার্নরনা আওট ওইদনা রন ৩৩৫ লৌখিবা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

পাকিষ্টাননা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০ আওট ওইরগা রন ৩০২ লৌখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ফাষ্ট বোল্লর মিটচেল ষ্টার্কনা পাকিষ্টানগী বেটসমেন ৬ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

পাকিষ্টাননা ফোলো ওন ওইনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ২৩৯ লৌখিবদগী অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অসি য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়ানা পাকিষ্টানবু ইন্নিংস অমগা রন ৪৮ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২-০ দা লৌবা ঙমখি।

পাকিষ্টানগী অনীশুবা ইন্নিংসতা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লর নথান লিওননা পাকিষ্টানগী বেটসমেন ৫ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী মায় পাকপা বোল্লর ওইখি।

## *সাউথ এসিয়ান গেমস ঃ* ইন্দিয়ানা গোল্ড ২, সিলভর ৬, ব্রোঞ্জ ৩ পুন্না মেডল ১১ লৌখ্রে

*পোখরা, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ*



নেপালনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা ১৩শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়ানা গোল্ড ২, সিলভর ৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ পুন্না মেডল ১১ লৌবা ঙমখ্রে।

সাউথ এসিয়ান গেমস অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা ট্রাইথলোন ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ লৌবা ঙমখি।

ট্রাইথলোন ইভেন্ট অসিগী নুপাগী ইন্দিভিজুয়েলগী ঙসি পাঙথোকখিবদা ইন্দিয়াগী এঠলেট আদরসা এম এন সিনিমোলনা গোল্ড মেডল লৌদুনা ইন্দিয়াগী একাউন্ট হাংদোকখি। ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এঠলেট বিশ্বোরজিৎ স্রিখোমনা সিলভর মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী এঠলেট সিনিমোলনা ০১ঃ০২.৫১ সেকেন্দদা পম্বুংফম য়ৌদুনা গোল্ড মেডল লৌখি অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এঠলেট বিশ্বোরজিৎনা ০১ঃ০২ঃ৫৯ সেকেন্দনা সিলভর মেডল লৌখিবনি।

অদুগা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডলনা গেমস অসিগী য়ুম্বু লৈবাক নেপালগী এঠলেট বসন্ত থারুনা ০১ঃ০৩ঃ০৬ সেকেন্দনা ফংখি।

নুপীগী ট্রাইথলোন ইভেন্ট অসিগী ইন্দিভিজুয়েলদা ইন্দিয়াগী এঠলেট থৌদাম সোরোজিনি দেবী অমসুং মোহন প্রাগনিয়ানা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি। অদুগা গেমস অসিগী য়ুম্বু লৈবাক নেপালগী এঠলেট সোনি গুরুংনা গোল্ড মেডল ফংখি।

চথরিবা গেমস অসিগী নুপীগী ট্রাইথলোন ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্ট অসিদা নেপালগী এঠলেট সোনি গুরুংনা ০১ঃ১৩ঃ৪৫ সেকেন্দদা খ্বাইদগী মকোক ওইদুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

ইন্দিয়াগী এঠলেট থৌদাম সোরোজিনি দেবীনা ০১ঃ১৪ঃ০০ সেকেন্দদা সিলভর মেডল লৌখি অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এঠলেট প্রাগনিয়ানা ০১ঃ১৪ঃ৫৭ সেকেন্দদা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

ট্রাইথলোন ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্ট অসিদা লেগ অহুম খাইদোক্তুনা স্বিম্মিংদা মিটর ৭৫০, বাইক রেসতা কিলোমিটর ২০ অমসুং চেনবদা কিলোমিটর ৫ য়াওরি।

চথরিবা ১৩শুবা সাউথ এসিয়ান গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী এঠলেট ৪৭৮ না তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিন ১৫ দা লম্বা তৌরি। ইন্দিয়ানা গোল্ড ২, সিলভর ৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ পুন্না মেডল ১১ ফংদুনা অনীশুবদা লৈরি।

## বি দব্লিয়ু এফ ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলস ২০১৯ দা ক্বালিফাই ওইবা ইন্দিয়াগী সট্লর সিন্ধু খক ওইখ্রে



*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ*

চাইনাগী সিটি গুৱাংঝুনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১১ দগী ১৫ ফাওবা শান্নগদৌরিবা সিজন অসি লোইশিল্লকপদা পাঙথোক্কদবা বেদমিন্টন মশান্নগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা বি দব্লিয়ু এফ ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলসতা ক্বালিফাই ওইবা ইন্দিয়াগী সট্লর পি ভি সিন্ধু খক্তমক ওইখ্রে।

বি দব্লিয়ু এফ ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলস অসিগী চৎন-পখাপকী মতুং ইন্না ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বা সট্লরশিংগী ওইনদি দাইরেক্ট ক্বালিফাই ওইহনবগী খুদোংচাবা পীরি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলসকী মকোক থোংবী সট্লর পি ভি সিন্ধুনা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জপানগী নোজোমী ওকুহারাবু মায়থিবা পীরন্নগা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ৱার্ল্ড টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপা সট্লর বি সাই প্রনিথসু সিঙ্গলসতা ব্রোঞ্জ মেডল ফং লৌখিবনি।

গুৱাংঝুদা পাঙথোক্কদৌরিবা বি দব্লিয়ু এফ রেস অসিদা ইন্দিয়াগী সট্লর পি ভি সিন্ধু ১৫ রেঙ্ক ওইনা শরুক য়ারি। টুর্নামেন্ট অসিদা চাইনানা শান্নরোই ১৩ শরুক য়াদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা য়ুম্বু লৈবাক চাইনাগী শান্নরোই চেন য়ুফৈনা পোইন্ট ১০,৬৭৬০ ফংদুনা অহানবা রেঙ্কতা লৈরি অদুগা অনীশুবা রেঙ্কনা থাইলেন্দগী সট্লর রাটচানোক ইন্টানোননা পোইন্ট ১০,৪০৬০ ফংদুনা লৈরি। নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান রেঙ্ক অসি হৌজিক-হৌজিক ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা জপানগী শান্নরোই কেন্টো মোমোটানা ওইরি। অদুগা অনীশুবা রেঙ্কতা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই চৌ টিয়েন চেননা ওইবা ঙল্লি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সট্লরশিং দি চৎলিবা সিজন অসিদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিদবদগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমহৌখিদে। সাইনা নেহৱাল অমসুং কিদম্বি স্রিকান্থসু চৎলিবা সিজন অসিদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিদে।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপা সট্লর ঐচ এস প্রনোই অমসুং সমির ভর্মসু চৎলিবা সিজন অসিদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিদবদগী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা সিদিং ফংদনা লৈরি।

চাইনাগী সিটি গুৱাংঝুদা চথগদৌরিবা বি দব্লিয়ু এফ টুর ফাইনেলস অসিদা নুপীগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং পুন্না পোইন্ট ৯২,৯১০ ফংদুনা ৫শুবা রেঙ্কতা লৈরি। জপানগী নুপী সিঙ্গলস শান্নরোই অকানে য়ামাগুচি অমসুং নোজোমী ওকুহারাসু বি দব্লিয়ু এফকী ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলস অসিদা শরুক য়ারি। লোয়ননা চাইনাগী হি বিংজিয়াও অমসুং থাইলেন্দগী বুসানান ওংবামরুংফানসু শরুক য়ারি।

## প্রিয়াম গর্গনা ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী য়ু-১৯ টিম লুচিংলগনি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ*

সাউথ অফ্রিকানা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ২০২০ গী জনুৱারী ১৭ তগী ফেব্রুৱারী ৭ ফাওবা শান্নগদৌরিবা য়ু-১৯ ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ্তা উত্তর প্রদেশকী শান্নরোই প্রিয়াম গর্গনা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংলগনি।

ইন্দিয়াগী টিম্না ৱার্ল্ড কপ অসিগী পুৱারীদা টাইটল ৪ রক লৌদুনা খ্বাইদগী য়াম্না টাইটল লৌবগী রেকোর্দ থম্বা ঙল্লি। ঙসি ওল ইন্দিয়া জুনিয়র সেলেক্সন কম্মিটিনা লাওথোরকখিবা শান্নরোইশিংগী মমিংদা প্রিয়াম গর্গনা কেপ্টেন ওইনা খনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌদ্রিঙৈগী মনুংদা ইন্দিয়া টিমগী কোচ সিনানসু কোটাক অমসুং পরাস মহাম্ব্রে সাউথ অফ্রিকাগী য়ু-১৯ টিমগা ৱান দে ইন্টরনেসনেল মেটচ ৩ শান্নবা চৎকনি। মসিগী মতুংদা ইন্দিয়াগী টিম্না সাউথ অফ্রিকা, জিম্বাৱে অমসুং ন্যু জিলেন্দগী য়ু-১৯ ক্রিকেট টিমগা লোয়ননা ক্বাদ্রিলেটেরেল সেরিজ অমসু শান্নগনি।

ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী য়ু-১৯ ক্রিকেট টিম অদুদি- য়াসাভি জাইসৱাল, টিলক ভরমা, দিব্যান্স সক্সেনা, প্রিয়াম গর্গ (কেপ্টেন), ধ্রুব চান্দ জুরেল (ভাইস কেপ্টেন এন্দ ৱিকেট কিপর), সাসৱাট রাৱট, দিভ্যান্স জোসি, সুভাং হেজদ, রভি বিসনোই, অকাস সিংহ, কার্টিক তিয়াগি, অথারভা অনকোলেকর, কুমার কুসাগ্রা (ৱিকেট কিপর), সুসান্ট মিস্রা অমসুং ভিদ্যধর পটিলনি।

## ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং এষ্টোন ভিল্লা গোল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে

*লন্দন, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ*



ইংলেন্দদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং এষ্টোন ভিল্লা গোল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসিগী শান্নবগী ১১শুবা মিনিটতা এষ্টোন ভিল্লাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা জেক গ্রিএলিসনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। মতম কুইনা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৪২শুবা মিনিটতা এষ্টোন ভিল্লাগী শান্নরোই টোম হিটন্না শোয়বদগী চনশিনখিবা গোলনা টিম অনীমক ১-১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মতম খরা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচকী ৬৪শুবা মিনিটনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ভিক্তর লিন্দেলোফনা গোল অমা চন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা অনীশুবা গোল চনখ্রবা মতুং মিনিট ২ লৈরগা এষ্টোন ভিল্লাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টাইরোন মিংসনা গোল অমা চন্দুনা টিমঅনীমক গোল ২-২ দা মান্নরগা মেটচ অসি লোইশিনখি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা লৈকেষ্টর সিটিনা এভরটনবু গোল ২-১ দা থোইবা ঙমখি।

টিম অনীমক অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা লম্বা মান্নরকখিবদগী মতম খরা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচকী ২৩শুবা মিনিটতা এভরটনগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা রিচার্দসননা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমদুনা ১-০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল শোথরিবা লৈকেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্লবা অকনবা এটেক চথদুনা লাকখি। মেটচকী ৬৮শুবা মিনিটতা লৈকেষ্টর সিটিগী শান্নরোই জেমী ভর্দিনা গোল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নহনখি।

মেটচকী অরোইবা মিনিটতা লৈকেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা কেলেচি ইহেননাচোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ২-১ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা আর্সনেল অমসুং নোরৱিচ সিটি গোল ২-২ দা দ্রো চৎখি। মেটচ অসিদা আর্সনেলগী গোল অনী অদু টিম অসিগী শান্নরোই পিয়েরি ইমেরিক ওবামেয়াংনা চনখিবনি। অদুগা নোরৱিচ সিটিগী গোলশিং অদুনা টিমু পুক্কী মিনিট ২১ অমসুং টোদ কান্টৱেলনা ৪৫শুবা মিনিটতা চনবা ঙমদুনা মেটচ অসি গোল ২-২ দা দ্রো চৎখি।

## নেপালগী বোল্লর অঞ্জলি টি-২০দা রেকোর্দ থমখ্রে

*পোখারা, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ*

নেপালনা য়ুম্বু ওইরগা শান্নরিবা ১৩শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসকী শরুক অমা ওইনা শান্নখিবা টি-২০ ক্রিকেট মেটচতা নেপালগী নুপী ক্রিকেট্টর অঞ্জলি চান্দানা রন অমত্তা পীদনা ৱিকেট ৬ লৌদুনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২৪ শুরবী নেপালগী বোল্লর অঞ্জলি চান্দানা ওভর ২ গা বোল অমা লংবদা মালদিপ্সকী বেটসৱুমেন ৬ আওট ওইহনবগা লোয়ননা রন অমত্তা পীখিদবনি।

চথরিবা সাউথ এসিয়ান গেমস অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা টি-২০ ক্রিকেট মেটচ অদু য়ুম্বু নেপাল অমসুং মালদিপ্সনা শান্নখিবনি। মেটচ অসি নেপালনা মালদিপ্সপু ৱিকেট ১০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসি মালদিপ্সনা টোস ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকখিবনি। মালদিপ্সনা ওভর ১০ গা বোল অমা শান্নবদা বেটসৱুমেন ১০ মক আওট ওইরগা রন ১৬ খক লৌবা ঙমখিবনি।

নেপালনা মায় পাক্লবগী রন ১৭ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু শুপ্পগী বোল ৫ দা ৱিকেট অমত্তা আওট ওইদনা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ১০ দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ক্রোসৱার্দ ৩৫৬ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | N | A | G | S | | A | L | E | S | | S | I | N | S |
| T | I | D | A | L | | S | E | N | T | | T | R | E | E |
| E | L | A | T | E | | C | I | T | E | | O | K | R | A |
| M | E | M | E | N | T | O | | A | E | R | O | S | O | L |
| | | | | D | E | T | A | I | L | E | D | | | |
| A | R | I | S | E | N | | P | L | E | A | | A | T | E |
| D | E | S | E | R | T | | P | E | R | M | | W | A | S |
| A | B | L | E | | | T | A | D | | | O | A | T | S |
| G | E | E | | A | P | E | R | | D | E | C | R | E | E |
| E | L | S | | G | E | N | E | | A | L | T | E | R | S |
| | | | D | E | A | D | L | I | N | E | | | | |
| I | M | P | A | S | S | E | | R | E | G | A | T | T | A |
| T | O | U | R | | A | R | E | A | | A | L | I | E | N |
| E | L | L | E | | N | E | A | T | | N | O | M | A | D |
| M | E | L | D | | T | R | U | E | | T | E | E | M | S |


**INTERVIEW POSTPONED**

**IMPHAL DIAGNOSTIC CENTRE**

| Name of Post | Qlfn. | Post | Experience | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. Hospital Adm. Off. | B.H.A. | 1 | At least 1 yr. | 12000-20000 |
| 2. Medical Transcriptionist | Relevant Cert. | 3 | Required | 7000-14000 |
| 3. Rediology | Relevant Cert. | 3 | 2yrs .exp. | Negotiable |
| 4. Lab. Tech. | Relevant Cert. | 10 | 3yrs. exp. | Negotiable |
| 5. A.N.M. | Relevant Cert. | 10 | Required | 8000-15000 |
| 6. G.N.M. | Relevant Cert. | 30 | Required | 10000-18000 |
| 7. Male Nurse | Relevant Cert. | 10 | | 10000-18000 |
| 8. Marketing (Medical Representative) | Graduation | 2 | 3yrs. exp. | 10000-18000 |
| 9. Receptionist | XIIth Passed | 2 | | 6000-12000 |
| 10. Sweeper | VIIIth Passed | 2 | | Negotiable |
| 11.Peon/ Helper | VIIIth Passed | 4 | | Negotiable |
| 12.Runner | VIIIth Passed | 4 | | Negotiable |

Date of Interview : 5th & 6th Dec. 2019 at 9.30 a.m. to 4.30 p.m.
Last date of form submission is 4th December, 2019
Forms will be available at the Office at Office hour
For details, please contact @ 6909651574 / 7085559891

PALACE COMPOUND,
IMPHAL EAST, MANIPUR
Regd. No. MN04E0008451

SL/5573/3 & 4

**ADMISSION NOTICE 2020**

**Heritage Convent**

Uripok Bachaspati Leikai & Naoremthong Khulem Leikai, Imphal, Manipur

*Admission Open for*

**Preparatory, Nursery & K.G.**

Minimum Age:
Prep. : 3+ yrs.
Nur. : 4+ yrs.
K.G. : 5+ yrs.
as on 1st Apr. 2020

*Application form available from the School Office at Heritage Convent Campus 1 at Uripok Bachaspati Leikai on 8th Dec. (Sun.), 2019 between 10:00 a.m. and 2:00 p.m.*

*Choosing the right School for your child is one of the most important decisions you will make in your child's life.*

*COME . . . BE A PART OF THE HERITAGE FAMILY.*

Prospectus will be issued against production of Birth Certificate.

SL/6011/3, 4 & 7